"তাইবঙ মীগী চিন্থোকপু কনানা হুকপা ঙমগনি। চাক মরূ অমতংনা চেঙকোক অমা মাঙহনবসু লৈ।" -*হিজম গুন (তোনু লাইজিংলেম্বী)*

## য়েলহৌঙেদগী

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

অমুক অমুক ঙকপা পোক্লি
য়েলহৌঙৈগী ইমা ইবেলশিং
করম্না শেমখিবনো ময়ালসিবু
চাবদা কান্নরবা মচল ঙাক্তা
কদাইদগী করম্না খঙলকপনো
মীৎতা লাইরিক ময়েকসু উদবা মখোয়না।
অৰাথবী, থম্বৌ, কোমপ্রেক, কোলমনি
কোবি, হৰাইমতোন, ফৈজা মতোন
পাল উকাবি, থোইদিং, বেসন, ঙারি
শেন্নল্লিবা কয়াদা মহাউ লৈনা।
তোঙান তোঙানবা মচলশিংনা
শেন্বগুম মহাউ লৈবা শিংজু
তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং
শক-চু মান্নদবা কয়ানা
পুনশিন্দুনা উৎলি
ইমা লৈবাক্কী অপূনবগী শক্তম।
ইপান থাবা, শরোই খাঙবা লমতা থাংজগী,
লাই হরাওবদা শীজিন্নদবা য়াদ্রবা শিংজু।
উসব, চাক্কৌবা, চাকচা হৈজানবা
য়াওদবা শিংজু
মপূং ফাদে, ইৰাৎ ৰাৎলি, ইহাঙ হাঙলি।
পাম্নরকই মীতোপশিংনসু শিংজু
মপানগী লমদসু।
অমুক অমুক নীংশিংলকই
ঐনা কোলেজ তল্লিঙৈ
জিপি কোলেজগী লম্পাক্কী
ইনেগী শিংজুদো
ময়ান শুনা হাপ্লবা
ওন্থোক্লা হাওখি
প্লেট অমদা লুপা অমমম।
চাওখৎপনা খম থেংলসু
ইন্টরনেটকী মতম ওইরসু
কনানসু শিনবা ঙমদ্রি
নঙগী নফমদি,
অদুম কন্দুনা লৈখিনি
মুৎখিরোই চারোল শুরোলদসু।

## 'পৈশা'

**—এস কে নাওরেম**

থবক তৌরে পৈশা
পোৎ লৈরে পৈশা
ঈশিং থক্লে পৈশা
ভোট লেপ্লে পৈশা
ভোট য়াওরে পৈশা
ভোট খোল্লে পৈশা
অঙাং পোক্লে পৈশা
মী শিরে পৈশা
লাই খুরুম্লে পৈশা
নুপী থিরে পৈশা
নুপী উন্নরে পৈশা
ওফিসতা চঙলে পৈশা
পুলিসনা ফারে পৈশা
পুলিসনা থাদোক্লে পৈশা
অচৌ অ-শাং উন্নরে পৈশা
পৈশাবু পায়রবদি মীয়াম্না য়ারে
হিংচাবা ওইরবসু মহাক্তো
খ্বাইদগী ফবা ওইরে
পৈশানা ঙমদবা লৈতে
মী লোল্লে ঈ লোল্লে পৈশা
খঙদে পৈশা পৈশা।

## ড্রাইভর

**—বীরমঙ্গল পুখ্রম্বম**

চৎপদি হৈতে চকাদি
অদুনা নিংঙাই তৌরকই ঃ
চেলহনবীরো ঐবু চেলহনবীরো।
ঙংবদি হৈতে ইঞ্জিনদি
অদুনা গ্রী গ্রী তকশিল্লকই ঃ
ঙংহনবীরো ঐবু ঙংহনবীরো।
চীং লেম্মী ড্রাইভরদি
অদুনা তপ্লা হায়রকই ঃ
ঙাইখোদা নখোয় ঙাইখোদা।

## 'পীনীংবা দন্দি পীবিরো'

**—নাওরেম মঙ্গি**

পীনীংবা দন্দি পীবিরো
ৰাদুনতা লাক্লবা ঐনি
মায় লৈদুনা চেল্লরোই
চেল্লবসু হিংলোইদবা পুন্সিনি
শিরবসু য়ারবা মপোক্নি।
লাইবক্না তম্নীংবা তন্বীরো
লেপ্লবনি থেংনরগে খন্দুনা
শিংনজরে নোংদম্বা নহাক্না
কান্নদ্রে পিরাং শিন্থরুবগী
নোক্লা মায়রোং য়ারগে।
শিগদবা তাইবঙ মপোকনি
নীনিখক্কী পুন্সি চেঙজেলনি
ৰারবা মতমদা খোঙচৎসে
ঙাইহাক পোত্থাবা নত্তনা
করিবু তৌরুনি ঐগুম্বনা।

## 'কালেন থাগী শৈরোল'

**—অঙোম ইবোমচা**

ও! কালেনথা ও! কালেনথা
লাক্লেকো নঙসু লাক্লেকো
পুদুনা মপাউ তাইবঙ মপুগী
খোঙদোইখ্রবদা নথংলেন শজিবু থানা।
লোইনরকইকো নঙদি হিংচা য়াইতম্বা
দমকা চাউবা, শাহুম কনবা
বায়ু কৌবা নুংশিৎকা
অশোন অনাগী য়েক্নবা।
শারবা নঙগী মৈশারক্তা
ঙাইহাক্কী হৌরকপা নোংহৌদা
দমকা চাউবা অখাক-অরাও
খাক্না লাউনা নোংথাং কুপ্পা
হাঙলা মালং নোংদোন্দা।
ভিমনা মন্ত্রি ওইবদা
অশোন-অনা লৈবা য়াদে
হায়নবগুম মাগী লৈবাক্তা
কিজেনে নঙতবু কিজেনে তাইবঙনা
ও! কালেনথা ও! কালেনথা।

## কনানা হায়বা ঙম্বগে

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

তাওমিন্নরদুনা ঈচেল অদুদা
কনানা, কনানো করিসু
খঙনদে হিথক অদুদা
পূন্না লৈমিন্নরিঙৈ।
কনা অমনা নোক্লি
কনা অমনা কপ্লি
ঐখোয় মশেল অমুক
অমুক য়েংনৈ,
কনা অমনা অৰাবা
কোকথোং পুরদুনা চৎলি।
অরুম-অয়াং চাংদম্লে।অমনা অমদগী হেন্দে
অমনা অমদগী তাদে,
মসিনি পুন্সি খোঙচৎ
ঙসি করি ওইনি
হয়েং করি ওইনি
কনানা হায়বা ঙম্বগে?

## থম্মোয় মৈচাক

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

ইচিক হুল্লক্লবা কালেন থাগী
শেংলবা বুদ্ধ পুর্নিমা অহিংদা
তাম্না তারিবা গোবিন্দগী জলকেল্লি
নুপী পালাগী মন্দিলা খোঞ্জেলনা
করিগী নাকোং শীংজা য়ৈরদুনা
উনবী পূক্লিংসে লৈতাফম খঙহন্দ্রিবা।
পুখ্রিপান্দা ফুগাইনা লৈশাৎ তল্লিবা
লৈহাও লৈরেনগী খোইথুম্নরবা লৈরেনদো
ৰাফোঙলক্লে মীহিং মনম ওইনা
শুমাং মতোনগী কবোকলৈ লৈরাংশিং
তাঙ্গোই মনম য়েল্লক্লে ঙসিদি
থক-খা তাইওন্নখ্রবা তাইবঙপাল।
মীৎলুগী লাইজনা শীংনরি অহিংগী লীক্লাবু
মীকপ মীরাওখোলনা শীংনরি অহিংগী অচিকপবু
থৰায় পানবা মীওইপোক্তা পোক্লুবনা
খোইরেন মসা পাইরদুনা চেন্নরি কোইচেন
খরাইথক্তা হাপখ্র লেম্না চোংবগুম
কাওরি অরোইবা খোঙ্গাও মৈরানবীশিংদুনা।
পুন্দুনা থল্লম্বা অঙাওবা কাউরেলদো
কনানা করম্বা মতমদবু থাদোকখিবনো
কদাইদা করি খোঙফম শোইখিবননো
ঙসি থোক্লিবা উহৈদ্রবা মতৌসে
ইপাম মৈহৌরে লাংজিং মৈচাক্লে
ইদু নিংথৌ লৈতব্রা খান্বী মৈকল্লো।

## লাইদিবী

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

মপালথোংদা য়েংবদা ফজৈ
ফজরবা রেসম ফুরিৎ
ফজরবা পোৎলোই শেৎ
সনাগী লিকফাং ঙকশমদা
ঙান্থোইরি কৈথেলগী লুকমাইদা।
মনুং থিৎনা য়েংশিল্লুই
ফিজেৎ ফিগাইতনা য়োম্লবা
কয়াদা খেন্নখ্রবা নুং-পাল।
মপালথোংদা উরি নিংথিবা
পুন্সিগী মহৈগী চাংয়েং
নুং হুৎনা য়েংলুই
হোদ্রোঙ হোদ্রোঙ হোবা মখুলশিং
কাচিন কয়া মপাল শাই
কনানা কদাইদগী করম্না,
নীংশিংলকই লাইদিবীগী মনুং
মসিনি অর্জুন-কর্ণগী লানগী চাংয়েং।
মশা নানবা তাই য়ানবা
কোৎ লিৎপা হিংচাবশিং
লান্মী তেঙ্গোল তকথোক্কে লাকপনি;
হুরানবগী লম্বীসু শিল্লি
হুরানবা ফানবসু থি
কয়াদা হঙ্গোইরবা শাজৎ!
এক্লব্যা অর্জুন কর্ণ মাঙখ্রে
দুর্জধন লিশীং লিশীং উরি।
লাইধিবী নঙদি কৈথেলগী লুকমাইদা য়োনবনি
মমল পীরগা অপাম্বা মিনা লৈবনি।
পান দুকান পোল্লক কৈথেল হোটেলদা
থার-থার য়োনবা শকখঙ চেগুম্লে
ঙসিগী পুন্সিগী অহানবা চাংয়েংশিং।
হোদ্রোঙ হোরে মনুং মপাল শারে
মপালথোঙদনা উরি লাইদিবীগী ফিজেৎ
ঙক্লি য়েংলে করি থোক্লগদবা
ঙসিগী কংলৈপাক ইরমদমগী চাংয়েংলোই।

## মতমগী অহোংবা

**—ইরোম মোবি**

শেঞ্জা থুমজানবু ওইরো
মহৈনবু ওইরো
মপান লমদা
থবক য়াম্না তৌনখি, তৌনরি।
মমা মপানা ৰানা হোমদা খাংই
মচা মশু উবা ফংনদে।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# তাইবং মীরোন খঙবা য়ূমগী শা-উচেকশিং

লাই হাক্তকতগী হৌনা, শা-ঙা, উচেক-ৰায়া, লিন,শগোল,শামু অসিনচিংবা শাশিং অসি লাইয়ামশিংগা লোয়নদুনা লাকই, লাইশিংগী শাদোং ফাওবা শা উচেক শগোল শামুনা ওইরকই । লৈশেমলকপদা শা-ঙাগী মফম লৈরকই। ঙসি লাইশিংগী মতম লোইখ্রবা, তাইবং মীওইবনা খুন্দাদুনা লৈঙাকলক্লবা মতম অসিদসু শা-ঙা, উচেক-ৰায়া অসি ঐখোয়গা থাদোক্লবা য়াদ্রি । লমলক্কী শা-ঙা, উচেক-ৰায়া খরদি ঐখোয় মীওইবনা য়ূমশা ওইনা লোইরি। য়ূমশাশিংগী মনুংদা হৌজিক লোইনরিবসি ষন,শগোল,হামেং,ওক, য়াও, হুই-হৌদোং,থেবা, ঙানু-য়েন, খুনু, কাংঙা অসিনা মরুওইরম্বদগী মপাল লমদগী পুশিল্লকপা, মীরমগী শা-ষন উচেক ৰায়া কয়ানা ঐখোয়গী লমদম অসিদসু মশীং হেনগৎলক্লি। হৌজিক ঐখোয়গী হান্নদগী লৈজরকপা য়ুমথোং খুদিং লোইনরম্বা মৈতৈ হুইগী মুহুৎতা মপান লমগী হুই মখল কয়া মমল তাঙনা তাঙনা লৈনদুনা লোয়নরি। কনাগুম্বা খরদি মীরমগী হুই ললোনবা ফাওবা য়াওনরে। লৈতেংগী অপীকপা উচেক মখল কয়া শারংদা লোইনরে। হৌদোং ফাওবা মপানগী হৌদোং পুশিল্লক্তুনা লোইনরে। মসি চাউখৎলকপনা পুরকপা অহোংবনি হায়না লৌরবসু কায়দে।

ৰাফম অসিনা নাকল অমদা থমজরগা ৱারেংজরিবা ইশামকসু শা উচেক অসি পীশক পীক্লিঙৈদগী পামজনা লাকই। অহল লমন হাক্তক্তগী ষন,শগোল,হুই তেনৰা লোইবা ইমুং ওইরকই। ষনগোন, শগোল শঙ চাওনা শাদুনা ষনয়াম, শগোল ময়াম লোইজরকপা ইমুংদা চাওজরকই। চুম্নগী শা উচেক লোইবা নৎত্রে। শাজিক ফান্নবা, শেন্ননবা মী ফাওবা থমলগা লোইরকপা ইমুংনি। হুইসু অমা অনীদা লোইদে। তেনৰা, মোইনা উচেক য়াম্না লোইরকই। মোইনা উচেক্তি চুম্নগী মী খ্বাইগী মরোন থোকপদু নৎত্রে মী অমদা হৈবা ঙাঙনবা লোলদগী হেন্দেক্তুনা ফিলম ঈশৈ শকপা হৈরে, মিমিক্রি, লীলা ড্রামা, গাড়ি থৌবগী মখোল, টেলিফোন ওকপা ফাওবা লোইনা হৈখিবা য়াওখ্রে । য়াম্না অঙকপা মতৌনি। অশুম্না শাউচেক্না অঙাং ওইরিঙৈদগী লোইনরকপা, মখোয়গা শান্নমিন্নরকপা ওইবনা ঙসিফাওবা শা উচেকসি থাদোক্লবা ইয়া য়াদ্রি,অদুম নুংশি, পাম্মী। মখোয়বু লোইনিংঙি, মরুপ মপাং ওইনিংঙি।

ঐগী কোকিল উচেক্না ঐগা মরোল খঙনৈ । ঐনা খোংবদা মখোয়সু খুম্মী। পাইথোকলুরগা চৎলু য়াদ্রে য়ূমদা হনজিল্লকই। লমগী কোকিল অমা পাইরক্তুনা য়ূমদা কোয়থোকলরবগসু য়াওরে। চহী খুদিংগী ঐগী য়ূমদা লৈরিবা কোকিল অমোমদা লমগী কোকিল লাবনা কোয়রক্তুনা হৈনৌ মপাল খুদোল তন্বীরৈ। অঙকপনি ! য়ূমদা লৈমিন্নরিবা কোকিল লাবনা, মহাক লৈনা লৈনা অতোপ্পগী হৈনৌ মপাল কোকিল লাবা অমনা পুরকপা য়ূমগী অমোমনা লৌরুবগী, মথুম মরাং হৌনা খোংবগী য়ূমগী লাবা অমোম ফুনবদা মকোক মরু কায়নৈ। কুম খুদিংগী কোকিল লাবা অমনা য়ূমদা হেক হেক লাক্তুনা য়ূমগী মপুরোইবা লৈরবা কোকিল অমোমদা কাইহৌরৈ। উচেক্কী ৰায়েনশঙ লৈতবগী তৌবনি। ফেমিলি কোর্ট কাবা য়ারক্কদৌরি।

ঐগী উমাইবী চহী ২০ শুরে। থাদোক্লগা থম্মী। য়ুমগী ইঙ্খোলগী ৰাংমা লান্না চৎলু য়াদে। মীগী ইঙ্খোল চঙদে। ঐখোয়গী য়ুম খংঙি। মচিঞ্জাক থিবা চৎলুরগা য়ূমদা হঞ্জিল্লকই । য়ূমগী চাক হাপ্পদা মাগী শরুকসু য়াওরে। য়ূমগী মীশিং পাবদা মখোয়সু লোইনা য়াওরে হায়বা য়ারে । মাগী ইরুজনবা ঈশিং তোঙান্না থম্মী, কেবা পাম্মী। উফে থক্তা তোংবা পামদে চৌকী মথক্তা তোংনিংঙি। খ্বাইদগী ঙক্লিবদি ঐগী উমাইবীনা য়ূমগী থবক শুবা য়াওবসিমুক ঙকপা লৈত্রে। ইঙ্খোলগী নাপী মচিন্না চিক্লগা থৎতুনা ফাল্লি। খজিক খরাক ফানবা নত্তে। ময়া হা হা কাবমখৈ ইঙ্খোল কোইবা য়াওই। ঐগী হুই অমগা নুংশিনৈ। মখোয় অনী পুখম অমত্তদা চাক চামিন্নৈ। ঐগী হুইদু কম্বোং কৌই। কম্বোংনা হাকৎচবদা উমাইবীনা মচিন্না মাগী হাকৎচবা হোৎপীখি । মখোয়নি লৈমিন্নরবনিনা নুংশিনৈ । ঐগী হুই কম্বোং অরুবা ব্রেনগী লায়না অমনা নাদুনা খঙহৌদনা শিখিবদা ঐগী উমাইবা করিমত্তা চাও থকউ য়াদনা চয়োন অমরোম চারা হেনখি। কম্বোংগী হকচাং ফুমখিবা ইঙ্খোলগী মফমদা নুংতিগী চৎলগা লেপ্তুনা য়েংখিবা মিৎসিদা উরি। জাৎ মান্নবা মশেনসু নত্তবা, শাগেসু পূন্দে মরোলসু তিন্নদে,ঐগী য়ূমদা লৈমিন্নরিবা শা উচেক্না অসি য়ৌনা নুংশিনরি অদুগা ঐখোয় মীওইবনা অমগা অমগা নুংশিনদ্রিবা হাৎনরিবা, খৎনরিবা লাওনরিবা ময়ামসে তাবদা মখোয়গী মমাংদা ঐদুম ইকায়বা ফাওরকই। ঐগী উমাইবী অমদি কোকিলনা য়ূমগী মী মশক লোইনা খঙঙি। মখোয় মশেলসু লোইনমক খঙনৈ। য়ূমদা অতোপ্পা লমগী শা ষন, হৌদোং চঙলকপদা কোকিলনা মখোল য়াক্না হান্না খোংদুনা তাকই। মী লাকপদনা উমাইবীনা খোংদুনা তাকই। য়ূমগী হুইনা উদ্রিঙৈদা মখোয়না হান্না খঙই, উই। মমিৎ থৌই । ঐগী উমাইবী হৌজিক অহল ওইরক্তুনা তৌরিব্রা খঙদে চমফুৎ পামখৎলকই, কবোক হৈবোক, মঙ্গল,ৰাতিন চাবা পাম্মী। শা ঙা চাবা পামখিদবা কুইরে। মাগী মমিং উমাইবী অদুম কৌই। কৌবদা নুংশিনা খুম্মী, মীদৌনা ইনাক্তা চেল্লকই । ইমুং মনুংগী মীনা কাওদুনা মচিঞ্জাক পীজহৌদ্রবদি মহাক্লা কাওখ্রে হায়বসি খঙই অদুনা মশানা লাক্তুনা মাগী চানবা পীরো হায়না মাঙ্গোলদা লেপ্লে নৎত্রগা ইমুং ফাওবা চংলকই। অতৈ মতমদা অমুক্তা লাক্তে । পীজরবা মতমদা মকোন্দা তপ্না তপ্না ঐখোয়দা য়েং য়েংদুনা চঙখি।

ঐগুম্না শা ঙা, উচেক ৰায়াগা ইমুং মনুংদৌনা নুংশিনা লোইনবীবা মীশক অমগী ৰারী নোংমা তাখি। কনানো খঙখিদে। ইথা থাজদনা মীশক অদুনা লাইরিক অমখক ফোংই হায়দুনা নোংমা ঐগী মরুপ অমনা পীবীরৈ। অতৈ কনাসু ওইরমখিদে

ইকায়খুম্নজরিবা লমদমসিগী শক্লাইখিবা পোলিটিক্সিয়ান, কয়ারক হন্না লৈঙাকপগী থৌসু পুবীরমখিবা ৰাই ইরাবোৎ ওইবীরমখি। অহল ইবুংঙো অসিনা ইবীবা লাইরিক "ঐখোয়সু থম্মোয় পাল্লি" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি পাবা ফংজখি । লাইরিকসিদা য়াওরিবা অমদি ইবীরিবশিং য়ূমদা লৈমিন্নরিবা য়ূমশা ময়ামগী ৰারী পাজরুবদা ৰাখল লম্বী মান্নরুবনা ওইবা তাই থম্মোয়গী নুংশিবগী মরী অসি ঐঙোন্দসু ফাওজখি। অহল ইবুংঙোগী য়ূমদা লোয়বীরিবা থৰায় পানবা শাশিং অসিগী পূন্সি মহীং, মখোয়দা উৎলিবা মীনুংশি অসি অতোপ্পা কনাগুম্বা মীগী মফমদদি থাজদবা,হৈনদবা ফাওরম্বসু য়াই। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ফোটোশিং অমদি মখোয়গী মরমদা তেন্তক্লা ইরিবা ৰারী ৰাখোং অসিনা মরোল থোকচদ্রবসু থম্মোয় পাল্লি হায়বা তাকপগী ইথিল অমা লাইরিকসিদগী খঙহনবা ঙল্লিবসি নুংঙাইবা পোকচখি। তাইবংপানবদা মীনুংশি হায়বসি মরু ওই। মীনুংশি হায়বসি মীগা মীগগী মরক্তা লৈবদু ঙাক্তা নৎতবদা হিংমিন্নরিবা অতোপ্পা শা উচেক মায়ামসিগী মরক্তসু মথৌ তায় । ৰাখল খনবা ঙম্বা মীওইবনা মীনুংশি অসি খরা পাকথোক চাউথোকপা ঙল্লগদি মালেম তাইবং পানবসি ঈংবা ঙমগনি। ঐগী উমাইবীনা মনাৎ থাদোক্লগা শা চানিংলকত্রে, মীনা শুবা থবক মাসু য়াওনা শুমিন্নরবা মতমসিদা ঐখোয়না তোখায় তাবগী, ঙমখৈগী, ফম মীকানবগী, থবক শুনিংদবগী, তিন্নবা য়াদবগী অচাউরম তান্নবদা মকোক থোংলি। খ্বাইরাকপম চাউবগী 'তম্বা' হায়বা ৱারেংসিদা ইবীরল্লিবা অহুমশুবা মহৈতমফম শঙদি তেংবানবগী মফমদগীনি, তেংবানবসিদা হিংমিন্নরিবা শা উচেকশিংদগীসু তমফম লৈ হায়বসি কন্না থাজজরি। নুংশিবসিদি, লোন থোকপা মশেল নুংশিনববুদি লোন থোক্তবা ৰা ঙাঙবা ঙমজদবশিংগী মফমদগী ফংবা নুংশিবনা হেল্লি হায়বসি ঐগী ওইনদি হায়জরগনি ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

**ৱারী ককনাউ**

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -১৫

ঐগী নুপী মেমীসি মপুকচেল য়াম চাওই। মাগী নুপানা নুপী কোইরে তাবদা হরাওজগদবা নুপীসি খূৎ থেক্লা পাবদা চাওখ্রবা সনা লৈবাকসিদা কনামত্তা লৈরমনি থাজদে। ঐগী নুপী মেমীসু ঐনা পাখং ওইরিঙৈদা মতম খরা পৎ তৎখৈ কোইনরম্বা অদুগা খরা লৈরগা পৎ লাওনা তৎনখ্রবী, অতোপ্পা নুপা অমদা চেন্দুনা ময়ূম পানখ্রবী থোইবী খঙহৌদনা থেংনরকপা, থোইবীদা মতেং খরা অদুক ইচম চম্না, হোই চম্বুদি চম্বা হায়রসু, থম্মোয়সিদদি মথায় থায়নগী ৰারীগকদু নীংশিংলগা মরীল ইতাও তাওবা ৰাখলগকসু মোংলক্লিবনি। সিদি ঐনা তৌদে হায়রসু লাইনা য়ারোই, খল্লিনি জাৎ জাৎ, অদুনবু লোন্না ফোনদা করিদা ৰারী শারুবদা ঐগী নুপীনা ফাদনা জাৎ জাৎকী ৰা থোক্লখ্রিদুনি, অদুনা থোইবীদা ঐনা মতেংসি শেলগীবু ওইরো, ৰাখলগীবু ওইরো পাংবদা মৈ হৌরম্বদু হৌজিক্তি তোকখ্রে।

তৌবৈদি থোইবীদু মশক খঙলগা, মশমগদু শিৎ নানখৈ ফোইদৎকে হায়বৈ ৰাখলদা ঐগী নুপীনা শাওনা চৎলুবজাৎনি। অদুবু থোইবীগী ইচম চম্বা ৰারী ৰাখোঙ কয়াদু খঙলকপদগী, নুপী অমা ওইনা অমদি মী অমা ওইনা মীনুংশি পোক্লকপদগী মানা হেন্না ঐঙোন্দগী মবুকচেল চাওথোকখ্রবনি। অদুননি, হৌজিক্তদা থোইবীগা মাগা পৎ তৎখৈ নুংশিনদনা, ময়ূমদা চৎতনা, "ইতা" "ইতা" হায়না কৌনদুনা তিন্নখ্রিসে। ঐগী নুপী মেমীগা ঐনা থায়না কোইনরম্বী থোইবীগা নুংশিনখিবদগীদি থোইবীসু ঐগা পাখঙ লৈশারিঙৈদগী নুংশিনরকপনি, য়ূম পাল্লবা মতুংদসু কৈ কৈগুম্বা মতমদা মহৌশাগী মীহুল চোংলক্তুনা নুংশি ৰারীগকা শান্নরম্বদু তোকথোকখ্রগা ঐগী নুপীদা পুল্লপ ওনশিন্নখ্রগা ঐবু নোংমতা হরাও হরাও তৌরক্ত্রেদনা। ঐনা ঙকইদি থোইবীনা ঐঙোন্দা নহান নোংমা হায়রকপদুনিনে।

"তা মঙলেম, নঙ ঙাওশিন্নবা য়ারোইকো, নচা পাখঙ ফারক্লবা মতমদা নমিৎ ননাগদু ফৈরেং তুরেং য়েংবা য়ারোই। শেরান তুরান তৌরদিবা কো ঐখোয়বু ফত্তে হায়জনু" গাইনা হায়বদুদা ঐনা খল্লিনি, "মানা ঙাঙলিসিবু, ঐসিবু মাগী কনানি হায়না খল্লগা হায়রিনো? মানা ঐসি মাগা নুংশিনরিনি হায়না খল্লগা ঐবু ফহন্নীংদনা অতোপ্পা নুপীগকা কোইবা য়ারোই হায়না খল্লিরা? কল্লক খম্বল্লিবা হায়দুরা? নৎত্রগা ঐগী পুন্সিগী য়াইফনবা খনবীরিরা? মরুপ মপাং অমা ওইনা নৎত্রসু মচা অমা ওইনা খল্লগা হায়রিরা? মসি শুকনৎ নৎত্রগনা, ঐগী নুপীগা তিন্নবী মমান্নবী অমা ওইনা ঐঙোন্দা ঐগী নুপীগী মহুৎ শিন্দুনা ঐগী নুপীগী ফোরদা হায়রিজাৎলা?" ৰাহং ময়ামসিনা ঐসি কোকসি পুমচাই চাইরে। ঐনা মোইদা নোংফাদোক্না চৎলুবসি মানা শাওই। য়ূমদা মরোই থাদুনা লৈ য়াদ্রা? কৈদৌবৈ মতম মাঙহল্লিনো? মরোইদু থারদি নোংফাদোক্তা ওইরসু ঐসু মকা অমত্তা ওইরসু হেক্তুনা এঞ্জাং থাক্লনি। করিগীনো অরেম্বদা মতম মাঙহল্লিসে, ঐগী সিদগা লাকপীনু, অদুই শরুক ইঙ্খোল কোইরুচো?"

মাগী ৰাহৈশিংসিবু করিনো? হন্দক মরক মানা সুমাইনা খঙহোং হোংলক্লিসিবু করিনো? লোন্না লোন্না ঐঙোন্দা ফোন তৌরকপা, ঐগী নুপী মেমী লৈরম্মোই হায়বা তাঞ্জা য়েং য়েংদুনা ফোনদা মখোলগা শিথদনা তপ্না তপ্না ঙাঙলম্বা মানা হৌজিক ঐঙোন্দা মথৌনা য়াম লৈনা বেঙ্গুনমুক হৌনা হৌনা চৈথবা ঙল্লক্লিসি, কমাইনা তৌরক্লিনো সি খনবদা ঐ কোকসি পুবা ঙমদ্রে। ইশম শম্না হায়রবদা থোইবী মহৌশা নৎত্রে, য়াম হোংলে। য়াম্না নত্তে, পুমহোঙ হোংখ্রে। থায়না লৈশা পাখঙ ওইরিঙৈদা লৈনখিবা মরী, মদুই মতুংদা অথেংবা মচা ইচা লৈনরকান্দা থেংনরকপদা ওইরকখিবী ফীভমগকদু লোইনা কাউথোকখ্রগা ঐবু ৰারক ৰাতেম্বা ৰাহৈ ৰাতানা ৰাই চাইরে। থোইবীদা ঐনা লোন্না লোন্নগা য়েংজরগা নোকফেৎ নোকফেৎকা তৌজরগা পংহাদা হরাওজরম্বগদু হৌজিক্তি মাঙখ্রে। ঐনবুদি য়েংনীংবগী ৰাখল ইথিলদি থম্মোয়সিদা পৈখৈ লৈরিপোৎনি মাঙদ্রিপোৎনি। ইশম শম্না হায়রবদা ঈশৈ অমা লৈদাইনে "য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয়না, মীৎকা মীৎকা চান্নবা, থম্মোয় মানা পামজরুই" হায়বদো। মদু ঐঙোন্দা ময়েং তাবদি লায়রদনা ঈচাও ওইনা ঈথক ঈপোম নাইনা কাদুনা লৈরিপোৎনিদা। ঐনগা নোং ফাদোক অদুম্নগকা য়েংলুরদি, খোন ৰাংলপ তৌরগা "কৈদৌরে, করি হায়গে হায়বনো" গাইনা ৰাহং ওইনা তৌশিল্লক্লে। সিদবু ঐনা কদাইদগী রোমান্স শুংগৎতৌরিনো? রোমান্সকা পুমচাই চাইরে। থোইবীসি মহৌশা নৎত্রে, ঐগী নুপী মেমীগা তিন্নখিবদগী পুল্লপ ওনখ্রে। মসি মাগী ৰাখলদা কনানা করি করম্বা অনৌবা ইনোৎ অমা পীবদগীনো খঙদে। মসিবু ঐগী নুপী মেমীনগা থমাইখ্রজাৎলা? নৎত্রগা মশা মথন্তনা ওন্থোকচরক্লিরা? মদুমা ঐ সুকখঙ খঙদ্রে, ঐনা খঙবা হায়বু থোইবী মহৌশাগী থোইবী নৎত্রে হায়বসিতনি। অদুনা ঐসু কয়া তোয়না চৎত্রে। মেমিদি মোইদা তোইনা চৎলি, নুংতিগীমক নৎত্রসু হাপ্তা অমদা মোই অনীসি ফনা ফজনা উন্নরে হায় তারে। ঐনা ঙক্লিদি, থোইবীসু ঐখোয় য়ূমদা লাক্লগা চাকখুমদা চঙলগা চাক্না থোংই। ইমুংগী ফিরোলগকা শুদোক চামথোক্তনা, মেমীগী মতেংসি ফনা ফজনা পাংলে। ঐগা লাকপসি থৌ ৰাগকা শাবা নত্তে। মীৎচিনফাও হন্না য়েংলক্তে হায়দু তারে। নহান নোংমদি ঐ পুমঙক ঙমখ্রেদনা। ঐসি অয়ূক্তগী থবক অমা চৎলুবা। ঐনা হল্লকপদু নুমিৎ য়ুংবা পুং বারো তাদৌরম্মনি খল্লি। চাকসি লামদনা ঐগী গাড়ীদু খাম্লম্মগা ফি হোংদোক্তখৈ চাকখুমদা পরপ পরপ চঙশিল্লগা চাক চারগে হায়না চঙলুবদা, মতুং ওন্থোক্লগা চাক থোংদুনা লৈরম্মী। ঐদি মেমী ওইরবোই নীংই। ঐনা হায়রুই,

মেমী ঐগী চাকতি? কৈনো হৌজিকফাও চাক লোইদ্রিবো? ঐদি লাম্বনা শিদৌরে? কদাই চাক্তু থিরক্লো, ঐ থবক অমসু অমুক চৎকদৌরিবনি" হায়রম্মগা ঐ বেসিনদা খূৎ হামগে হায়না তৌরিঙৈদা থোইবীনা মমায় লৈথোরক্লগা খুন্মকপদা ঐ শ্বাই লাওই।

"লোইদৌরে, থুম থাক্লগা ঙাইহাক্তা শৌহনখিগে, মোরোকসু মেৎত্রি, মিনট মঙামুক্তি চঙখিনি" খোঞ্জেলদুনে মায়থোঙদুনে উবদা ঐদি লৰাই লুতোন শাৎখ্রেদনা। খুম্ফমসু খঙদ্রে। ইঙক ঙক্তনা য়েং লৈরে। অদুদা থোইবীনা ফাক ফাক নোকথোরক্লগা মনীংলোমদা ওল্লগা লাওখি,

"হাহাহাহা... হো ইতা সিদা কনানো অমা লৈকংদা ইরাক্লরে, য়েংঙো লাও-ও, থুরক-ও থুরক-ও"

তাঞ্জাদুদা মখূৎতা ফদিগোম অচাম্বা খরা মচুম ওরো রো তাখৈ পায়দুনা মেমিনা চঙশিল্লক্লগা ঐবু য়েংই। ঐসু মেমীদা য়েংই। মেমীনা থোইবীদা ওনশিল্লগা,

"কৈদৌরকইনো?"

"ঐনা চাক থোংবসিদা ইঙক ঙক্লব্রা কৈনো নুমিৎ য়ুংবীদৌনা লেপ্তুনা লৈরিসি উদ্রো?"

"ইহে, ঐদি সেরান তুরান তৌরক্লব্রা হায়দনা পাখৎলুরে, সেরান তুরান তৌরক্লদি খাবৈদুনা পোপ লাওনা থোম্মু, হরি-নোংনাং ওন্দনা মাইনা খোং লৈজনি"

মদু তাবদা থোইবীসু মেমীসু হৌনা নোকই। ঐদি মখোয়গী নোকপগী অহৌবা মখোলদুদা লৌশিং লাকপদগী ফীভম খংহোং হোংখি।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।